কিহনবা অমসুং অকল-অরিং শীংবগী মায়োক্তা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ব্লিঙ্কননা চাইনাদা ৱার্নিং তৌখ্রে

টোকিও, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

কিহনবা অমসুং অকল-অরিং শীংবা লেপ্লবা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা চাইনাদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

বৈজিংনা লেপ্তুনা মতিক ময়াই ফূদোক্লবা হোৎনবদগী ফিভম য়েংদুনা এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈরিবা এলাইএন্স চেৎশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মহাক্কী অহানবা মপানগী খোঙচৎতা ব্লিঙ্কননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

চাইনানা ইষ্ট চাইনা সি অমসুং সাওথ চাইনা সিদগী পাক-চাউরবা ক্লেম তৌবা লৈরিবসি য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরীদা খ্বাইদগী মরু ওইনা মীৎয়েং চঙনিংঙাই ওইবা ইস্যু ওইরক্লি। জপানগী ওইনসু চাইনাগী টেরিটোরিএল ক্লেমশিং অদু সিক্যুরিটিগী অরুবা ৱাফম ওইরি।

চাইনানা অনিংবা-অপাম্বা ফংনবা কিহনবা অমদি অকল-অরিং শিংবগী থৌওং চথুরবদি ঐখোয়না মদুগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না ব্লিঙ্কননা ফোঙদোকখি।

ব্লিঙ্কননা দিফেন্স সেক্রেটরি লোয়েদ ওষ্টিনগা লোয়ননা টোকিওদা খোঙচৎ অমা চৎলিবনি। খোঙচৎ অসি প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী কেবিনেটকী টোপ মেম্বরশিংনা মপান্দা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অসি হৌখিবা চয়োলদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, জপান, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইন্দিয়া য়াওবা ক্বাদ গ্রুপিংগী লুচিংবশিংগী সম্মিট পাঙথোকখ্রবা মতুংদা লাকপনি।

ব্লিঙ্কননা এসিয়া খোঙচৎতা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লিবসি শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মরু ওইবা মীফমশিংগী মাঙওইননি। অলাস্কাগী মীফমশিং অদুদা অহানবা ওইনা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা চাইনাগী লেংমান্নবশিংগা উনদুনা মালেমগী টোপ ইকনোমি অনীগী মরীদা লৈরিবা খুরৌশিং খন্নগনি। বৈজিংনা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংদা কিহন্দুনা অপাম্বা ফংনবা হোৎনবগী থৌওংশিং ৱাশিংটননা ক্রিটিসাইজ তৌখি। অমরোমদা, চাইনানা য়ু এসপু লমদম অসিগী মরা তপ্পা ফিভম কায়হন্নবা হোৎনৈ অমসুং চাইনাগী মনুংগী ওইবা এফেয়র্সতা খূৎ থিংজিন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীরি।

জপানগী লেংমান্নবশিংগা লোয়ননা থোকমিন্নবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ব্লিঙ্কন অমসুং ওষ্টিননা হায়, চাইনাগী থৌওংশিং অসি হৌজিক চৎনরিবা মালেমগী লৈবাকশিংগী মরী গভর্ণ তৌরিবা কাঙলোনশিংগা চান্নদে। বৈজিংগী থৌওংশিং অসি এলাইএন্স অসিদা অমদি ইন্টরনেসনল কম্ম্যুনিটিবু শেম-থুম, মিলিটরি অমসুং টেক্নোলোজিগী লমশিংদা শীংনবনি। য়ু এস অমসুং জপানগী ওফিসলশিংনা চাইনাগী থৌওং অদু ইন্টরনেসনল ওর্দরগা চানদে হায়খি।

জপানীজ ফোরেন মিনিষ্টর টোসিমিটস্যু মোভেগি অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর নোবু কিসিনা থৌবুশিং ওইখিবা মীফমদু ২+২ ফোর্মেটতা পাঙথোকখি।

ৱারী শাননবা হোৎনবা খূদিংমক প্যোংয়াংনা থৌশাদ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা পাঙথোক্লবা মীফম অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী ৱাফম লুনা খন্নখি।

মালেমদগী নাইতোম ওইনা লৈরক্লবা নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী রিজোল্যুসনশিং থওইদদুনা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং পায়খৎখি।

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় লৈহন্দনবা হোৎনবদা জপান অমসুং কোরিয়াগা নকশিন্নবা থবক তৌমিন্নবগী তঙায় ফদবা লৈ হায়না ব্লিঙ্কননা ফোঙদোকখি। চাইনানা হৌখিবা জন্যুৱারীদা লো অমা পাস তৌদুনা লৈবাক অসিগী কোষ্ট গার্দপু ফোরেন ভেসেলশিংদা নোংমৈ কাপশিনবা য়াহনখিববুসু মখোয়না হকচিন্না লৌখি।

ম্যান্মারগী ইমুং কয়ানা লৈখিদবশিংগী অরোইবা মথৌ মঙমশিং পাঙথোকখ্রে

য়াঙ্গোন, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

ম্যান্মারদা প্রোটেষ্টরশিংনা মখা তানা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অথিংবা থুগায়বগা লোয়ননা মিলিটরি লৈঙাক্কী মায়োক্তা চথুবা দেমোন্সট্রেসনশিংদা লৈখিদ্রব মীওই কয়াগী ইমুংশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদ্রবশিং অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে। অমরোমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাপ্পদা ইনৌ নৌনা য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিখ্রে।

ফেব্রুৱারী ১দা ওং সান সু চিনা লুচিংবা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্ট চিংথুখিবদগী ওইরক্লিবা পোলিটিকেল অমসুং শেল-থুমগী ক্রাইসিসনা চানবা পোৎলমশিং অমসুং থাওগী মমল হেনগৎহন্দুনা লৈবাক অদুগী লায়রবা মীওইশিং য়াম্না থুনা চাবা ফংদবগী ফিভম লাকপা য়াই হায়না য়ু এনফুদ এজেন্সীনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

এদভোকেসি গ্রুপ এসিষ্টেন্স এসোসিএসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজনর্স (এ এ পি পি)গী মতুং ইন্না, নোংমাইজিং নুমিত্তা য়াঙ্গোনগী সর্ব্ব অমদা লৈবা চাইনানা ফাইনান্স তৌবা ফেক্টরিশিং মৈ থাবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাপ্পদা মীওই ৭৪ শিখ্রবা মতুং মথংগী নুমিত্তসু প্রোটেষ্টরশিংদা নোংমৈ কাপশিনবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়াঙ্গোন্দা লৈবা ক্রিমেটোরিয়ম অমদা হকচাং ৩১ পোলোইখি। প্রোটেষ্টরশিং অদুদা মীশি-মীনা খ্বাইদগী হেন্না থোকপা নুমিৎ ওইরিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়াঙ্গোনদা হাৎখিবা মেদিকেলগী মহৈরোয় খান্তন্যার হৈইনগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরমদা নহা ওইরিবা মীওই চা-কয়ানা শরুক য়াখি।

ইমুং খরনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং খরা ফাজিনখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না অরোইবা মথৌ মঙমগী থৌরম শোয়দনা পাঙথোক্কনি।

মিলিটরি লৈঙাক্কী মায়োক্তা চয়োল কয়া লেপ্তুনা চথুরকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮৪ শিখ্রে। ইনৌ নৌনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তসু সেন্ট্রোল টাওন কোলিনদা প্রোটেষ্টর অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা খা থংবা টাওন দাৱৈদা পাঙথোকখিবা অপীকপা প্রোটেষ্ট অমদা মীয়াম্না সু চিগী পিকচরশিং পায়খি অমসুং ওৎ-নৈবা লেপ্লবা তকশিনখি।

মিলিটরিগী খূৎতা মীশি-মীনা হেনগৎলকখিবদা থম্মোয় শোক্লবা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা ইন্টরনেসনল কম্ম্যুনিটিদা ওৎ-নৈবগী থৌওংশিংদু লেপহনবদা মতেং পাংনবা আপীল তৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর প্রোটেষ্ট থওইদবগী মরাল শীখ্রে

কানবেরা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা নুপীশিংবু হঙ্গৈই তুক্কৎচনা উবগী থৌওং য়েংশিন্নবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসনদা লুচিংবগী মতৌ উৎলু হায়না তকশিনখ্রে।

ইস্যু অসিগী মতাংদা লৈবাক শীন-থুংনা চথুরিবা প্রোটেষ্টরশিংদা থৌশাদে হায়না মহাকপু মরাল শীখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। ওপোজিসন লেবর পার্টিগী লীদর এন্থোনি অলমনিজনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক শীন-থুংনা প্রোটেষ্টরশিংনা খোল্লাও কয়া লাউদুনসু মোরিসননা থৌশাদে।

পোলিটিক্সতা অমসুং খুন্নাইদা নুপীশিংবু হঙ্গৈই-তুক্কৎচবা মীৎয়েংনা য়েংবা অমসুং মখোয়গী মায়োক্তা ভাইওলেন্স কয়া চথুবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবা, নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ন লিশিং কয়ানা 'মার্চ' জষ্টিস মুভমেন্টকীদমক্তা ওষ্ট্রেলিয়ন লিশিং কয়ানা পুনখি।

ওষ্ট্রেলিয়নশিংগী খোল্লাওদি অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিদা লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা লুচিংবা ওইবগী অশেংবা মতৌ উৎকদবনি হায়বা অসিনি হায়না অলবানিসনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখি।

'মার্চ ফোর জষ্টিস' মুভমেন্ট অসি হান্নগী গভর্ণমেন্ট ষ্টাফর অমা ওইরিবা ব্রিটানি হিগিন্সনা লিংখৎখিবনি। কুমজা ২০১৯দা দিফেন্স মিনিষ্টর লিন্দা রিনোল্ডসকী ওফিসতা মহাকপু থবক তৌমিন্নবা নুপা অমনা রেপ তৌখি হায়না হিগিন্সনা ফোঙদোকখি।

এটোর্নি জেনরেল ক্রিষ্টিয়ন পোর্টরবু রেপ তৌবগী মরাল শীখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না চার্জ অসি য়াখিদে। হিগিন্সনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কনবেরাগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙবদা লৈবাক অদুগী সিষ্টেম কাইরে, ঐখোয়গী ইন্সটিট্যুসন মনুংদা পাৱর ষ্ট্রকচরশিং ফেল ওইরে হায়খি।

লিবিয়াগী অনৌবা গভর্ণমেন্ট য়ু এননা তরাম্না ওকখ্রে

ত্রিপোলি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

লিবিয়াগী হাওস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস (পার্লিয়ামেন্ট)কী মমাঙদা ৱাশক লৌখিবা লৈবাক অসিগী নৌনা খনখ্রবা গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনল য়ুনিটি য়ু এননা তরাম্না ওকখ্রে।

সেক্রেটরি জেনরেলগী লিবিয়া এফেয়র্সকী স্পেসল এনভোয় অমসুং য়ু এন সপোর্ট মিসন ইন লিবিয়া (য়ু এন এস এম আই এল)গী মকোক জান কুবিসনা টোব্রুকতা হাওস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভ (ঐচ ও আর)গী সেসন মনুংদা ৱাশক লৌখিবা গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনল য়ুনিটিবু তরাম্না ওকখি।

লিবিয়াগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা শীংনবা কয়া য়েংশিন্নবা, মীয়ামগী পুন্সি মহিং অমসুং বেসিক সর্ভিসশিং ফগৎহন্নবা অমসুং চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা লৈবাক অসিদা ইনক্লুসিভ নেসনল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা শেম-শানবা তকশিনখি।

মিসননা ইন্টরনেসনল পার্টনরশিংগা লোয়ননা লিবিয়াগী মীয়াম অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংদা মথৌ তাবা খূদিংমক পীদুনা মতেং পাংগনি হায়না কুবিসনা মখা তাখি। প্রসিদেন্সি কাওন্সিল অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনল য়ুনিটি য়াওবা অনৌবা এগজিক্যুটিভ ওথোরিটি অদু ইষ্টর্ন সিটি টোব্রুকতা হাওস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী ওদিফসল সেসন অমদা ৱাশক লৌখি।

য়ু এননা স্পোন্সর তৌবা লিবিয়ন পোলিটিকেল দাইলোগ ফোরম (এল পি দি এফ)না হন্দক্তা লৈবাক অসিগী অনৌবা এগজিক্যুটিভ ওথোরিটি খনখিবনি। মদুবু লিবিয়াগী পার্টি খূদিংমক্না তরাম্না ওকখি।

মোহম্মদ মেনফিবু প্রসিদেন্সি কাওন্সিলগী প্রসিদেন্ট খনখি অমসুং অব্দুল হমিদ বিবাহবুনা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর খনখি। অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি হাওস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা থাজবা থম্মী হায়বসি হৌখিবা চয়োলদা উৎখ্রে। অনৌবা গভর্ণমেন্ট অদুগী মরু ওইবা মথৌদি এল পি দি এফনা য়াখিবগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ২৪দা লৈবাক অসিগী জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকপনি।

কুমজা ২০১১দা লৈখিদ্রবা লীদর মুআম্মর গদ্দাফিগী গভর্ণমেন্ট তুখিবদগী লিবিয়াদা কাং-খোং চাইবগী ফিভম লৈরকখি।

ইষ্টর্ন বেজ খালিদা হাফটরনা লুচিংবা লিবিয়ন নেসনল আর্মি (এল এন এ) অমসুং লৈবাক অসিগী নোংচুপ্তা বেজ তৌবা য়ু এননা শকখঙবা গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনল একোর্দকী মরক্তা মতম শাংনা লান শোক্লখি।

য়ুনিসেফনা হায়রি মদুদি মতম শাংনা কনফ্লিক্ট, পোলিটিকেল অমসুং ইকনোমিক ক্রাইসিসশিং লৈরকপগা লোয়ননা কোরোনাভাইরস পেণ্ডেমিকনা মরম ওইদুনা অঙাং ৩৫৮,০০০ হেনবা য়াওনা লিবিয়াগী মীওই মিল্লিয়ন ১.২ রোম হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং মথৌ তারি।

য়ু এসনা খূৎলায় খ্বাইদগী হেন্না থাদোক্লি: থিঙ্ক-টেঙ্ক

ষ্টোকহোম, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

ইন্টণনেসনল ট্রান্সফরশিং চাং অমদা লৈখিবা কুমজা ২০১৬তগী ২০২০ ফাওবগী মনুংদা য়ু এসনা মখা তানা খূৎলায় খ্বাইদগী য়াম্না এক্সপোর্ট তৌবা লৈবাক ওইখি হায়না স্বেদিস থিঙ্ক-টেঙ্ক অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমদা ষ্টোকহোম ইন্টণনেসনল পীছ রিছার্চ ইন্সটিট্যুটনা হায়, কুমজা ২০১১-২০১৫ অমসুং কুমজা ২০১৬-২০২০গী মরক্তা মালেমগী ওইবা খূৎলায় থাদোকপগী চাংদা লৈরিবা য়ু এসকী স্যের অদু চাদা ৩২দগী চাদা ৩৭তা হেনগৎখি।

হৌখিবা চহী মঙা অসিদা য়ু এসনা ষ্টেট ৯০ হেনবদা অচৌবা খূৎলায়শিং য়োনখি। মদু অতৈ খূৎলায় সপ্লায়রশিংদগী য়াম্না হেল্লি। য়ু এসনা থাদোকখিবা খূৎলায় অপূম্বগী চাদা ৪৭তি মিদ্দল ইষ্টতা য়ৌখি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

চৈরকসিদা হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা মালেমগী ওইনা অচৌবা খূৎলায় ট্রান্সফরশিং মান্নবা লেভেলদা লৈখি হায়নসু রিপোর্ট অদুনা হায়রি।

খূৎলায় খ্বাইদগী হেন্না য়োনবা লৈবাক মঙাগী মনুংদা অহুম হায়বদি য়ু এস, ফ্রান্স, জর্মনিনা খূৎলায় ট্রান্সফর চাং ৱাংনা তৌখ্রবসু রসিয়া অমসুং চাইনা খূৎলায় য়োনবগী চাংদি হন্থরকখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, খূৎলায় লৈবগী চাং খ্বাইদগী হেনখিবদি মিদ্দল ইষ্টকী লৈবাকশিংনি। লৈবাকশিং অসিনা হৌখিবা চহী মঙাগী মতমদা খূৎলায় ইম্পোর্ট তৌখিবগী চাং কুমজা ২০১১-২০১৫গী মতমদগী চাদা ২৫ হেনখি।

সাওদি অরাবিয়ানা খূৎলায় লৈবগী চাং চাদা ৬১ হেনগৎখি অমসুং কটারনা লৈবগী চাংনা চাদা ৩৬১ হেনগৎখি।

সেফটিগী মতাংদা কিনবা লৈরিঙৈদা জর্মনি, ইটালি, ফ্রান্সনা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন কাপ্পা লেপ্লগনি

বর্লিন/জিনিভা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

লৈবাক কয়ানা অরুবা সাইদ-ইফেক্ট কয়া ফোঙনখ্রবা মতুংদা জর্মনি, ফ্রান্স অমসুং ইটালিনা অষ্ট্রাজেনেকাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন শীজিন্নবা লেপ্লগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)নদি সাইদ ইফেক্টনি হায়রিবশিংদু প্রুভ তৌবা লৈত্রি অমসুং মীয়াম্না মীপাইনিংঙাই ওইদে হায়খ্রে।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক অহুম্না অষ্ট্রাজেনেকা ভেক্সিন শীজিন্নবা লেপখিবা অসিনা ঈ য়ুগী লৈবাক ২৭না পায়খৎলিবা ভেক্সিনেসন কেম্পেইনদা চৈথেং চাওনা নংহল্লে। ভেক্সিন সপ্লায়দা থিন্থবনা মরম ওইরদুনা হান্নদগী ভেক্সিনেসন কেম্পেইন অদু তপ্তুনা লাকপনি।

ব্লীদিং, ব্লদ ক্লোট অমসুং প্লেটলেট নেস্কগী কেস খরা থেংনবগী রিপোর্টশিং ফোঙখিবা মতুং হৌখিবা চয়োলদা দেনমার্ক অমসুং নোর্ৱেনা ভেক্সিন কাপ্পা লেপখি। মতুংদা আইসলেন্দ অমসুং বুলগেরিয়াসু ভেক্সিনেসন লেপখি। নেদরলেন্দসনা ভেক্সিন অদু শীজিন্নবা লেপ্পগী ৱাফম নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখি। কাদেনা সের রেদিওনা মশক মমিং হায়দবা ছোর্সশিং পল্লদুনা স্পেননা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৫নি ভেক্সিন অদু শীজিন্নবা লেপ্লগনি হায়না লাউথোকখি।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিংগা মরী লৈননা মী শিবগী চপ চাবা ইভিদেন্স য়াওবা রেকোর্দ লৈতে হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী টোপ সাইন্টিষ্ট অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি। সুম্যা স্বামিনাথননা ভার্চুল মিদিয়া ব্রীফিং অমদা হায়খি মদুদি, মীয়াম্না মীপাইনিংঙাই ওইদে হায়বদি ঐখোয়গী মায়কৈদগী খঙহনবা পাম্মী। কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিংগা থ্রোম্বোইম্বোলিককী কেসশিংগা মরী লৈনৈ হায়না হৌজিক ফাওবা প্রুভ তৌদ্রি।

অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিনগী মতাংদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এদভাইজরি কম্মিটি অমগী মীফম খঙদোক্লগনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী চীফ টেদ্রোস অধানোম ঘেব্রেয়েসসনা ফোঙদোকখ্রবনি। অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিননা থ্রোম্বোইম্বেলিজম লাকহনখিব্রা হায়বদু খঙদোক্নবা ঈ য়ুগী মেদিসিন্স রেগুলেটর ঈ এম এগী মীফমসু পাঙথোক্লগনি। য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা অমসুং মীশিং য়াম্বা লৈবাক খরনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অসিনা লমদম অদুগী ভেক্সিনেসনগী কেম্পেইন হেন্না তপথহল্লগনি হায়না থাজনরি।

হৌথিশিংনা বোম য়াওবা দ্রোন শীজিন্নদুনা এয়রবেজদা এটেক তৌখ্রে

সানা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

হৌথি মিলিস্যানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাওদি অরাবিয়াগী খামিস মুসাইট সিটিদা লৈবা কিং খালিদ এয়রবেজদা ইনৌ নৌনা এটেক অমা চথখ্রে হায়না গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা হৌথি মিলিটরি স্পোক্সমেন য়েহরা সরীয়াগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, এটেক অদু টার্গেটতা চপ চানা হিট তৌখি। অদুম ওইনমক, সাওদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা লৈবাকপোকপগী অঙনবদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্টতা হৌথিশিংনা য়েমেনদগী খামিস মুসাইট তম্না কাপশিল্লকখিবা এক্সপ্লোসিভ য়াওবা দ্রোন অমা লমখাংদা কাপথখ্রে হায়না ক্লেম তৌখি।

ইরাননা শৌগৎপা য়েমেনগী হৌথি মিলিস্যানা সাওদি অরাবিয়াগী সিটিশিং অমসুং ওইল ফেসিলিটিশিংদা লেপ্তুনা টার্গেট তৌরক্লি।

বোর্দর ৱাংমদগী থাজিল্লকপা দ্রোন কয়া সাওদিনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সশিংনা লমখাংদা কাপথখি অমসুং বলিষ্টিক মিসাইল এটেক কয়া অরেম্বা তাহনখি।

ইরাননা শৌগৎপা হৌথিশিংনা কুমজা ২০১৪গী অথেংবা শরুক্তা য়েমেনগী অৱাং থংবা প্রোভিন্স কয়া কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মন্সুরং হাদিগী মালেমনা শকখঙবা গভর্ণমেন্টপু সনাদগী ইন্থোকখিবদগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার থোক্তুনা লাকখি।

কুমজা ২০১৫দা সাওদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা কনফ্লিক্ট অদুদা য়াওশিনখি অমসুং হাদিগী গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপখি।

য়ুনিভর্সিটি বসতা এম্বুস তৌবদা মীওই ২ শিরে

কাবুল, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা গনমেনশিংনা য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ পুবা বস অমদা এটেক তৌবদা দ্রাইভর অমসুং মহৈরোয় ১ শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবানগী মরক্তা চথবা পীছ টোক লেপ্পকখিবগা লোয়ননা সিভিলিয়নশিংদা এটেক তৌবা হেনগৎলকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নেয়েদ হমিদ-রহমাননা ফোঙদোকখিবদা, বাঘলান প্রোভিন্সতা চথখিবা এটেক অদুদা য়ুনিভর্সিটিগী লেকচরর ৬সু শোকখি। এটেক অদুগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি অসিনা টালিবানবু মরাল শীখ্রবসু মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনদি মখোয় এটেক অদুদা চেন্নদে হায়খি।

টালিবানগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা জবিহুলা মুজাহিদনা হায়, এটেক অদু ঐখোয়গী মুজাহিদিনশিং (ফায়টরশিং)গা মরী লৈনদে, ঐখোয়না এটেক অদু কন্দেম তৌই অমসুং মদু য়েক্লবনা চথুরকপা লৌতুনবা অমনি হায়না লৌই।

অমরোমদা, হেরাটতা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা দাম অমা ঙাক-শেল্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌবদা মীওই ৩ শিখ্রে, ১ অশোক অপন নংখ্রে হায়না নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স অসিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। এটেক অদুগী মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অতৈ মীওই মরি থিবা ফংখিদ্রে।

কটারদা পীছ নিগোসিএসন চথুরিঙৈ মনুং হৌখিবা থা খরা অসিদা ফাওবা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিং, জর্নেলিষ্টশিং, একাদেমিকশিং অমসুং রাইটস ৱর্করশিংদা টার্গেটেদ এটেক চথুবা য়াওনা অফঘানিষ্টানদা মীপাইনিংঙাই ওইবা মওংদা ভাইওলেন্স হেনগৎলকপদা দিপ্লোমেটশিং অমসুং এদভোকেটশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লখি।

হ্যুমেন রাইটস ৱাচ (ঐচ আর দব্লিয়ু)না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা টার্গেটেদ এটেকশিং মরু ওইনা মাইনোরিটি গ্রুপশিং, নুপীশিংনা জর্নেলিষ্টশিংদা চথুখিবা এটেকশিং কন্দেম তৌখি।

ঐচ আর দব্লিয়ুগী এসোসিএট এসিয়া দিরেক্টর পেত্রিসিয়া গোসমেননা ফোঙদোকখিবদা, মশক খঙদবা এটেকরশিংনা জর্নেলিষ্টশিং, সিভিল সোসাইটি এক্টিভিষ্টশিং অমসুং প্রোফেসনলশিংদসু টার্গেট তৌদুনা মীওই কয়া অমা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়ানা কীনা হিংলি।

অফঘান এফেয়র্সকী ওইবা ৱাশিংটনগী অখন্নবা এনভোয় জালমে খালিলজাদ হৌজিক রিজনল খোঙচৎ অমা পাঙথোক্তুনা পীছ প্রোসেস য়াংশিন্নবগী লম্বী অমা থীরিবনি।

কিম জোং-উনগী মচলনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসনদা ৱার গেমস লেপ্নবা হায়খ্রে

সিওল, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং-উনগী মচন্নুপী কিম য়ো জোংনা সাওথ কোরিয়াদা হৌজিক চথুরিবা মিলিটরি ড্রিল ক্রিটিসাইজ তৌবগা লোয়ননা য়ু এসকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসনদা বোর্দরদা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্তবনা মরা তপ্পা ফিভম পুরকপদা মতেং পাংলোই হায়না চেকশিনৱা হায়খ্রে।

কিমগী ৱারোল অদু প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা হৌখিবা জন্যুৱারীদা ওফিস পাইখিবগী নোর্থ ৱাশিংটনদা পীবা অহানবা পব্লিক মেসেজনি। য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কন অমসুং দিফেন্স সেক্রেটরি লোয়দ ওষ্টিননা সাওথ কোরিয়াগী লেংমান্নবশিংগা অহানবা ওইনা ৱারী শাননবা সিওলদা থুংগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদনি।

কিমগী ৱারোল পল্লদুনা নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী কে সী এন এনা হায়, ঐখোয়গী লমদা নোংমৈ কাপ্পগী মনম চেলহন্নবা হোৎনরিবা অনৌবা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন্দা ৱার্নিং অসি পীরি। লাক্কদৌরিবা চহী মরি অসি ঈংনা লৈনিংলবদি অহানবা খোঙথাংদা গনপাওদরগী মনম শন্দোক্লবা হোৎনরোইদবনি।

য়ু এস অমসুং সাওথ কোরিয়াগী অপূনবা মিলিটরি ড্রিল হৌখিবা চয়োলদা হৌখি। কোরোনাভাইরসকী রিস্ক অমসুং হৌজিক নোর্থকা ৱারী শাননবা হোৎনরিবদু য়েংদুনা জোইন্ট ড্রিল অদু মরু ওইনা কম্প্যুটর সিম্যুলেসনশিং ওইনা তৌখি।

তৌইগুম্বসুং কিম য়ো জোংনা মহাক্কী মেসেজদা ৱার ড্রিলশিং অমসুং হোষ্টিলিটি অসি দাইলোগ অমসুং কোওপরেসনগা চানদে হায়খি।

কিম য়ো জোংগী ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতাংদা হংবদা ব্লিঙ্কননা টোকিওদা ব্রিফিং অমদা হায়খি, কম্মেন্টশিং অদু মহাক্না খঙলবসু মহাক্না হেন্না ইন্টরেষ্ট লৈরিবদি অমেরিকাগী মীচঙশিং অমসুং পার্টনরশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা করি খল্লিবগে হায়বা অসিনি। জপান অমসুং সাওথ কোরিয়ানচিংবা মীচঙশিংনা ফোরেন পোলিসি অমসুং সিক্যুরিটিগী ৱারী শাননবগীদমক্তা ব্লিঙ্কন অমসুং ওষ্টিননা এসিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎলিবনি।

য়ু এসকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসন্না লাক্লিবা চয়োল খরা অসিদা নোর্থ কোরিয়া পোলিসি রিভিয়ু তৌবা লোইশিল্লগনি। নোর্থ কোরিয়াদা অহেনবা প্রেসর পীবনা কান্নগদ্রা হায়বসি ৱাশিংটননা খন্নরি হায়না ব্লিঙ্কননা ফোঙদোকখি।

ৱার গেমদা অমুক হল্লকপগীদমক কিম য়ো জোংনা সাওথ কোরিয়াবু করেম্মদুনা হায়খি মদুদি হৌজিক্তি লৈবাক অসি পোলিটিকেল, শেল-থুম অমসুং লায়না লাইচৎকী প্রোক্লেমশিং পুল্লপ মায়োক্লুরে। য়ু এসনা হৌদোকপা দাইলোগকী ৱাফমশিং নোর্থ কোরিয়ানা রিজেক্ট তৌদুনা লাকখি।

মমাঙগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা শেম্বা হৌখিবা খুরৌ চেনবা মরী অদু বাইদেনগী প্রসিদেন্সতা থংথরক্লে হায়না হ্বাইট হাউসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

জর্মনিদা অমুক হন্না কোভিদ-১৯ কেস কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি: রোবর্ট কোক ইন্সটিট্যুট

বর্লিন, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

জর্মনিদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনশিং কা-হেন্না ৱাংখৎলক্লি হায়না রোবর্ট কোক ইন্সটিট্যুট ফোর ইনফেক্সস দিজিজেসকী এক্সপর্ট অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

STADT CITY VILLE BONN
Kindly observe the mandatory use of masks in the marked areas!
STRÖER

এক্সপার্ট অসিনা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিনগী রিস্ক নেম্মী হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মীওই ১০০,০০০গী মনুংদা থেংনখিবা কেস মশিং চয়োল অমগী মমাঙদা ৬৮ ওইরম্বদগী ৮৩.৭ য়ৌখি। আর কে আইগী মতুং ইন্না, মথং থাগী ময়াই থংবা শরুক ফাওবদা কেস ২০০ য়ৌবা য়াই।

ঐখোয় হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী অহুমশুবা ৱেভ অমা মায়োক্লুরি হায়বসি চুম্লবা ৱাফম্নি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা অথিংবশিংসু কোমথোকহনখ্রে। অসিনা কেস মশিং থুনা অমসুং কা হেন্না হেনগৎহল্লে হায়না আর কে আই ইপিদিওমোলোজিষ্ট দির্ক ব্রোকমেননা ফোঙদোকখি।

চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেল অমসুং ষ্টেট লীদরশিংনা থা অসিগী অঙনবদা কোভিদ-১৯গী অথিংবশিং তাঙ্কক নাইনা লৌথোকপগী ৱাফম য়ানখি। মখোয়না থংন-থংননা নুমিৎ হুম্নি কোরোনভাইরস কেস মশিং মীওই ১০০,০০০গী মনুংদা ৮০,০০০ মথক্তা হেনগৎলকপা তারবদি ওথোরিটিশিংবু অমুক হন্না অথিংবা থম্বা য়াহনবা হায়নসু লেপ্নখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা জর্মনিনা অষ্টাজেনেকাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন শীজিন্নবা লেপ্তুনা য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী মনুংদা ভেক্সিন অদু শীজিন্নবা লেপ্পা খ্বাইদগী নৌবা লৈবাক ওইখি।

মীওই অহুম শিবা য়াওনা থ্রোম্বোমিসকী কেস তরেৎ থেংনবদগী জর্মনিগী ভেক্সিনগী ওথোরিটি ওইরিবা পোল ইর্লিক ইন্সটিট্যুট (দি ঈ আই)না রিক্কম্মেন্দ তৌবগী মতুং ইন্না অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন শীজিন্নবা লেপ্পবা ৱারেপ লৌখিবনি।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পদা ফেমিলি দোক্টর শীজিন্নবগী ৱাফম খন্ননবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মর্কেল অমসুং ষ্টেট লীদরশিংগী মরক্তা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখিবা মীটিং অমা য়ুরোপিয়ন মেদিসিন্স এজেন্সীনা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন রিভিয়ু তৌবা লোইদ্রিবফাওবা য়েথোকখ্রে।